## এডিটোরিয়েল

### শঞ্জেম্থোং শঙ্গাবা

*মনিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না খ্বাইদগী পামজবা অমা ষ্টেটসিগী চিফ মিনিষ্টরনা হন্দক খুদোল ওইনা পীরিবসি অনৌবা শঞ্জেম্থোং অ মা পীরিবসিনি। থোং অসি শানবা শিদোকখিবা মতমদুদা চিফ মিনিষ্টরনা থাজবা অমা মীয়ামদা পীখিবদা মনিপুরগী মীওই পুম্বা অয়ৌবী থাক্তা চঙক্লখি। থা ৬ গী মনুংদা শাবা লোইগদবা থোংনি অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা মমিং লৈরবা সিমপ্লেক্স কৌবা কম্পনি অমদা শীন্নখিবনি হায়বসিদা থাজরোইদবা অমত্তা লৈরোই। অদুবু থোং অসি মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী নুমিৎ ফাওবা পাবা তারগদি চাই অহুমলোম চংনা শাখিবনি হায়বসিদি মীয়াম্ন খঙই। ঙাকপীহৈবা অমসুং অখাং কন্বা মনিপুরিশিংনা শঞ্জেম্থোং শাবা লোইদবগী ৱাকৎ অমত্তা কন্না থাঙ্গৎনরকখিদে, অদুম্মক খুদোংচাদবা পুম্বা মশরুক্লি খন্দুনা খাঙলগা লৈখি। শঙাই টুরিজম ফেষ্টিভেল অমদি নংলেদনা। মসিদগী হেন্ন পেন্নবু করিনো।শঞ্জেম্থোং মীয়াম্না লানবা ফংলগনি, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট নকশিন্নরগনি। মতমগী মতুংইন্না মমাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট ডিস্ট্রিক্ট খাইদোক্লিঙৈগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট খক্তদা লৈরম্বা খুদোংচাবা কয়া অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিস্ট্রিক্টতসু মপুংফানা শেমগৎলবা মতুংসিদদি থোং অসিগী মরুওইবদু হেনগৎলকই হায়বসি চহি অহুম্লোম থোং অসি লানবা য়াদনা লৈখিবা মতমদুদা মীয়াম্না খঙখ্রবনি।*

*ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবদৌনা মখল–মখা কয়াগী স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল কয়া অমা লৈরে, তোঙান্বা কম্মিস্নার লৈরবনা মজিষ্টরিয়েল এক্তিভিটি খুদিংমক নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লি। মসিগী মথক্তা য়াম্না মরুওইবা মৈত্রবাক্কী পুৱারিগা মরী লৈনবা টুরিষ্ট স্পেটট কয়া অমসু ইম্ফাল ইষ্টতা লৈরি। ঙসি ঙসিমক "মনিপুর শঙাই টুরিজম ফেষ্টিভেল" পাঙথোক্লবা শেম–শাগৎলিবা মফম অসি মতম অমদা "মনুং কাংজেবুং" হায়না খঙনরম্বা ষ্টেতসিনা প্রিন্সলি ষ্টেত অমা ওইরিঙৈদা নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তা অমসুং পানাশিংগী কাংজৈরোইশিংনা শগোল কাংজৈ শান্নফম লম্পাক অমা ওইরম্বনি। মদুগী মতুং তারকপদা লম্পাক অসি শগোল লমজেল তান্নফম অমসু ওইরম্মী। কোলকটাদা লৈরিবা রেস কোর্স কুম ফজবা শগোল লমজেল তান্নবগী লম্পাক ওইনা অদুম্মক শেমগৎলম্বসু য়াবনি। পোলো পোনিগী পোকফমদা পোনিগী শান্নফম অমসুং শিংনফম লম্পাক ওইরম্বনি হায়নসু শিংথাবা য়াই। পুৱারিগা শাগোন্নরক্লবা কংলা কোনুং লাইফম, কঞ্চিপুরগী অমম্বা কোনুংগা চপ মান্ননা শিংথাবা য়াবা প্রি–ইন্দিপেন্দেন্স ইন্দিয়াগী মনিপুর কোনুং গোবিন্দজি অমদি হনুমান টেম্পল, নিংথেম পুখ্রি, রামজি প্রভুগী মন্দির – শঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিবা মফমগা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা মফমশিংনি। মদুদগী খরা চৎলগনা মদনমোহন, কাইনচিং, নোংমাই চিং, অন্দ্রেনচিংবদা লৈবা মফম কয়া অমসু লৈরিবনি। পুন্নমকসি টুরিষ্ট ষ্টেট ঙাক্তা ওইনা শেমগৎনবসু হোৎনরিবনি। মরকসিদা লন্নাই মীওই কয়ানা শেমগৎচবা মিৎয়েং চিংশিন্বা য়াব গার্দেন কয়া অমসু লৈরবনি। মখোয়শিং অদু য়ৌনবগীদমক শঞ্জেম্থোং লোইশিন্দুনা লাল হন্বা হায়বসি শঙাই ফেষ্টিভেল নংবদগী হেন্না মরুওই হায়বসিসু খঙমিন্নবা তঙাইফন্দবনি।*

*মসি নত্তবদা ফেষ্টিভেল অসি নংনবা শেম শারিবা কয়াদি উৎ–ৱাইনা খুন্নগা থম্বা তারিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং ওইরিবনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# "লাইনা থাবা কেন্দ্রনি, লাই থাবা মীরেপনি"

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

হন্দক্কী নভেম্বর ২১।২০১৫ পাংথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদি মনিপুরগী পুৱারিদা নুংদা লাইরিক ইদুনা থম্বা য়াবনি হায়জনিংই।

পাংথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখলশিং অসিদা পুন্নমক মাই পাকহনজনিংই। মসিদা মাইথিজরমসু থম্মোয়দা মাইথিবা নত্তে মাই পাকপনি হায়না খনবীয়ু। পাংথোক্কদৌরিবা কেন্দ্র অনিমক "থ" না হৌবা থংমৈবন্দ, অমদি থোংজুনি।লেপ্পগদৌরিবা কেন্দিদ্যেশিংসু 'জ' হৌবা জয়কিশন জোতিননি। অমনা "ব"না হৌবা বিজয় অমদি বিশ্বরজিৎনি। মরক্কী মীখলশিং অসিদা মানা মানা হৈজা হৈজাবা লৌশিঠ জ্ঞানশিং পুথোক্তুনা মাই পাক্লনবা হোৎনখরে। তৌবতবু ঐহাক ইশাগী ওইজবা মোৎতদি রাজনিতি হায়বসিদি কৈদৌনুংদা ওইদবা ৱাহে ৱাতাশিংদি খক ঙাংলোইদবনি হায়না হায়জনিংই।

লোয়ননা লুচিংবা লুচিংবী কয়াশিংনসু প্রজা মীয়াম মরু ওইনা ঙসিগী ভোটরশিংগী হকশিংবু য়াম্না মমল লৈনা লৌহনজনিংই। প্রাজা মীয়াম ভোটরশিংনা থম্মোয় শেংনা ভোৎ পীরক্লগনি চাওনা মাই পাক্কনি হায়না হায়হনজনিংই। ঙসিগী লুচিংবা লুচিংবীশিংগী ইশা ইশাগী ফুরিৎ খাওদা য়াওবদৌনা ঙাং শকপগী হৈনবীশিংদি খরা থাদোকপিবা পামজৈ। মসিনা পুন্নমক্কীসু য়াইফবা ওইগনিসু খনজৈ।

*অদোমগী*

*কোন্থৌজম মনিহার সিংহ*

*সেকমাইজিন খুনৌ*

*(ইন্দিয়াগী চৎনরিবা আইনশিং অসি নৌনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা লমাই অসি য়ুমশকৈশা নুমিৎ খুদিংগী মীয়ামদা আইনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খুদোল তমজরি, অশোয়–অঙাম খুদিংমক শেমদোকপীরকপদা তরাম্না ওকচরি–এডিটর)*

# প্রোটেক্সন ওফ ৱুমেন ফ্রোম দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট, ২০০৫

**পি ঐচ বাগেশ্বরি**

চহি ১৯৯৪ গী ভিয়েনা এক্কোর্দ অমসুং বৈজিং দিক্লারেসনগী মতুং তারকপা ১৯৯৫ দা পাংথোকখিবা এক্সন লৌনবা প্লেট ফোর্ম অদুনা নুপীশিংগী মথক্তা ইমুং –মনুংনা চথবা মীওৎ মীনৈ অসি মীওইবনা ফংফম থোকপা হক্কী মনুং চান্বা ইশু অমা ওইরি হায়না য়ান্নখি। মদুগী মখা তারকপদা য়ুনাইটেদ নেসন্স কম্মিটি ওন কনভেন্সন ওন ইলিমিনেসন ওফ ওল ফোর্মস ওফ দিসক্রিমিনেসন এগেনষ্ট ৱুমেননা মখোয়গী মাইকৈদগী পীবা জেনরেল রিকম্মেন্টেসনগী মতু ইন্না মরু ওইনা ইমুং–মনুংদা নুপীশিংবু মীওৎ মীনৈশিং চথবগী থৌদোকশিং য়াওনা নুপীশিংদা চথবা মখল–খুদিংগী হিংসাগী থৌওংশিং অদুদগী নুপীশিংবু ঙাক–শেন্নবা হোৎনবা ষ্টেট পার্টিশিংনা হায়বদি লৈবাকশিং অদুনা মথৌ তৌগদবনি হায়বা ফোংদোকখি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী থৌওং অসি মফম খুদিংমক্তা থোকপা থৌদোক ওইরবসু মীয়ামদদি খঙহন্দবা অমদি খঙনদবা অমসুং চৎনবীগী ৱাংমদা লৈবা থৌওং অমগুম্না লাকখি। সিভিল লোশিংনা নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিং অসি চপ চানা থেংননবা হোৎনদে। মসিনা মরম ওইরগা নুপী ওইবিশিং অসি মপুরোইবশিং নত্রগা মপুরোইবগী মরী – মতাশিংনা ইতৎ–তৎতনা নৈবীবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসি ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪৯৮ (এ) গী মখাদা অচৌবা মরাল অমনি হায়না ইরি। সিভিল লোশিংনা নুপীশিংবু দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী থৌওংশিংদগী কন্নবগীদমক **প্রোটেক্সন ওফ ৱুমেন ফ্রোম দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স বিল** হায়বা অমা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নখি।

দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স হায়বসি মীওইবগী হক মাংহন্বগী চিংননিঙাই লৈত্রবা থৌওং অমনি অমসুং মসিনা চাওখৎ–থৌরাংদা য়াম্না শোত্থহন্বগী মরম ওইরি। ১৯৯৪ গী ভিয়েনা এক্কোর্দ অমদি য়ু এন গী জেনরেল রিকম্মেন্দেসন নম্বর ১২ (১৯৮৯) না করিগুম্বা মরুওইনা ইমুং–মনুংদা থোকপা অদুগুম্বা হিংশাগী থৌদোকশিং অদুদগী নুপীশিংবু ঙাক–শেন্নবা ষ্টেট পার্টিশিংনা হোৎনগদবনি হায়না য়াওরি।

২) ইমুংগী মীওইশিংনা নুপীশিংদা চথবা হিংশাগী থৌওংশিং অসি ঙাক–শেন্নবা আইন অমত্তা লৈতবগুম লৌবদগী মীয়ামদা খঙহন্দনা লাকখিবনি। সিভিল লোশিংনা হায়রিবা নুপীশিংদা মীওৎ মীনৈ চথবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা কেসশিং অদু থেংননবগী ওইথোকপা লৈতে।

মরমশিং অসিদগী ভারত সংবিধানগী আর্টিকল নম্বর ১৪, ১৫ অমসুং ২১ দা লমদমসিগী নুপী ওইবিশিংবু ইমুং –মনুংগী ভাইওলেন্সতগী কন্নবা হোৎনগদবনি হায়বা পাউতাক পীরি। অদুবু হায়রিবা আর্টিকলশিং অদুগী মতুং ইন্না সমাজসিদা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অমসুং মদু থীংনবা অনৌবা আইন অমা শেম্বগী মথৌ তাই হায়না ফোংদোকখি।

মরমসিদগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল অমগী মতুং ইন্না সমাজসিনা তারিবা দাবিশিং অমদি নুপীশিংনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স খঙবা ৱাৎপদগী ওইবনি হায়না লৌবা য়াই । অদুমকপু হায়রিবা ষ্টেট অদুদা লালহৌবগী ইরাং নমথনবা নত্রগা ইরাং হেনগৎহন্নরিবা ষ্টেটশিংদদি সিভিল লো অসি তঙাইফদবা লৈতে। মরমসিদগী মেম্বরশিংগী হকশিং অসি শেমদোক্তবা য়াদে হায়না লৌবদগী আর্টিকলশিং অদু থা অমগী তাং ১৪, ১৫ অমসুং ২১ দা কন্সটিট্যুসননা পীরিবা আইনশিং অদু ঙাক্লগা মথৌ তৌহন্বগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগী মথক্তঃ মখোয়গী তোঙান্বা ফোরমশিংদা ৱাফম খরা হৌদোক্তবা য়াদবগী মতাংসু লাকই।

পুন্নমকসি থিংনবগীদমক য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিং খন্নফম থোকপনি হায়বা ৱাফম অদু লাকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎপা য়াওনা চাদিং কয়া তৌরি।

দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স হায়বসিগী মতাংদা তঙাইফদবা আইন অমা শেম্বগী মথৌ কন্সটিট্যুসননা পীবগী মতুং ইন্না নুপী য়াওনা তোঙান–তোঙান্বা ইমুং–মনুংগী হিংশাগী থৌদোকশিং অসি থীংনবগীদমক মীওই মশাশিংদা পীগদবা হকশিং অদু য়েংলগা চিফ কম্মিস্নরনা আইন অসি শেমখিবনি। মসিদগী সরকারগী মাইকৈদগী হিংশাগী থৌদোকশিং য়াওহন্দনা চথবা য়াবা থবক করি লৈরিবগে হায়বদু য়েংশিন্বা য়ারি।

বিল অসিনা তোঙান–তোঙান্বা য়েংশিনবীদ্রবা ফিভমদা লৈরম্বশিং মতুংদগী মহাক্কী নুপা অমসুং মপুরোইবগী লৈরিবা ইমুং–মনুংগী মীওই পুন্নমক্লা লোয়ননা খুদোংচাবা কয়া পীগনি হায়না লাওথোকপসু লৈখ্রে। মসি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স মোদ মতুং ইন্না লেপকদবা মরালনি। মেদিকেল ফিসিলিটি হায়রগনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মতম অমত্তদা ইমুং–মনুংগী ৱাথোক্তা য়েংশিন্দবা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিদা লায়েংবগী খুদোংচাদবা লৈরগদি তোখাইনা খরসু থম্বা ফৱনি।

খঙজিন্বিগদবা অমনা হায়রিবা এক্টশিং অসি মশাগী আইন শেম্নবা হোৎনবা চথবা থৌশিল অমনি হায়না লৌবা য়ারে। লুহোংলবা মতুংদা নুপীশিংনা মখোয়গী মরী য়েংলগা কমপ্লেইন অমত্তা তৌবা ঙমদে। মরমসিদগী হায়রিবা ইমুং–মনুং অদুগা লোয়ননা নুপী নত্রগা মহাক্কী মপুরোইবা অদুগী মরক্তা অমদি মথক্তা ক্রিমিনেল এক্সন লৌনবা আইন অমা থম্নবা অমা খন্নবগী মতাংদা মীয়াম্না হোৎনবা মথৌতারি। হান্না উরিবদি অঙনপোৎ মতিক চানা পুরক্তবদগী মখোয়বু চংজফম পীরিবা মীওইশিং অদুদগী লেপ্তুনা মৌশিং হিংনা মৈ থাবগী থবক ফাওবা চথরি। অসিগুম্বা মতাং সিদা নুপীশিং কলহৌনবগীদমক অমদি নমদুনা ঙমহনখিবা কেসশিং অদু অমুক হন্না হৌদোক্লগা পীবা য়াবা দন্দি পীনবগীদমক হায়রিবা মওংসিদা শেমদোকপীয়ু হায়বা মরী লৈনবা পুন্নমক্তা খঙহন্বা হায়নসু ৱারেপ লৌখি।

# দি মনিপুর কঞ্জুমর প্রোটেক্সন রুলস, ১৯৮৯

**মোইরাংথেম রাজেন্দ্র**

*মমাং নবেম্বর তাং ১১ গী মখা........*

(৫) দিষ্ট্রিক ফোরমগী থবক নত্রগা থৌ ওঙশিং অমত্তা মদুগী মেম্বরশিংগী মরক্তা অৱাৎপা নত্রগা মদু শেন্দা করিগুম্বা অশোয়বা অমা লৈখিবনা মরম ওইরদুনা চৎনবা য়াদবা ওইরোই।

(৬) দিষ্টিক ফোরম্না মদুগী নোংমা নোংমগী থবক তৌবদা মতেং পাংনবা অমদি পথাপশিং অসিগী মখাদা পীরিবা অদুগুম্বা থবকশিং পাঙথোক্লবা নত্রগা প্রসিদেন্টনা শিন্নবা থবকশিং পাঙথোক্লবগীদমক ষ্টেট গবর্নমেন্টনা তঙাইফদবা তেংবাংনবা মী হাপকনী । অদুগুম্বা তেঙবাংনবা মীশিংদা পীগদবা তলবতু ষ্টেট গবর্নমেন্টকী তাশিন্দুনা থম্লবা পুকৈদগী পীগনি

(৭) মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপকতুনা ৱাকৎলিবা মীদুনা হায়রিবশিং অদু য়ারগদি দিষ্ট্রিক্ট ফেরম্না ৱাথোক অদুগী অচুম–অরান অমদি পুথোক্লক্লিবা চুম্মি হায়না প্রমান তৌনবা ইশিন্দুনা থম্বশিং অদুগী য়ুম্ফমদা ৱারেপ লৌগনী।

(৮) সেক্সন ১৩ গী মখাদা থবক চথরিঙৈদা, দিষ্ট্রিক্ট ফোরম্না কাঙলুপশিং অদুবু মৱা তানবা তারিখ লেপলবদি, ৱাকৎপা মীগা মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপকা নত্রগা মদুগী অয়াবা পীরবা মীহুৎকীদমক্তা ৱা তানবা অদুগুম্বা তারিখতুদা নত্রগা অতৈ অতোপ্পা ৱা তাবদু য়ৈথোকখ্রবা তারিখ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী মমাঙদা কাফম থোক্লবনী। ৱাকৎপা মীদুনা নত্রগা মানা অয়াব পীরবা মীহুত্তুনা অদুগুম্বা নুমিৎ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী মমাঙদা কারকপা শোইরবদি দিষ্ট্রিক্ট ফোরম্ন নীংবা মতুংইন্না ৱাকৎ অদু অশোয়বা অদুগীদমক মখা তানা খন্নদবা নত্রগা ৱাথোক অদুগী অচুম অরানগী মতুং ইন্না ৱারেপ তাবা য়াই । মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপ অদুনা নত্রগা মদুগীদমক অয়াবা পীরবা মীহুৎ অদুনা ৱা তানবা নুমিৎ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী মমাংঙদা কাবা শোয়রবদি দিষ্ট্রিক্ট ফোরম্না ৱাকৎ অদু নামতমক তারগা ৱারেপ তাবা য়াই।

(৯) দিষ্ট্রিক্ট ফোরম্না সব–রুল (৮) গী মখাদা থবক চথরিঙৈদা, মদুনা মসিনা ফগনী খনবা অদুগুম্বা ফীভমশিংদুনা অমদি থাংখাঙ অমদা হেক্তা, ৱাকৎ তাবদু য়ৈথোকপা য়াই অদুবু খ্বায়গী ওইবা মওঙদাং অম্মক্তগী হেন্না য়ৈথোকপা তৌরোই অদুগা ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্ন পোত্তু খাইদোক খাইজিন তৌবা নত্রগা চাংয়েং তৌবগী তঙাইফন্দবা লৈরোইদবা ওইরগনা মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপ অদুনা নোটিশ অদু ফংখিবদগী নুমিৎ ৯০ নীগী মনুংদা অদুগা পোত্তু খাইদোক খাইজিন তৌবা নত্রগা চাংয়োং তৌবগী তঙাইফন্দবা লৈরগনা নুমিৎ ১৫০ নীগী মনুংদা ৱারেপ পীগনী।

(১০) দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী য়াথং অদু ৱায়েন খুদাদু শারিবা দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী মেম্বরশিংনা সহী তৌগনী অদুগা তারিখ থাগনী অদুগা কাঙলুপশিংদুদা মমল য়াউদনা পীগনী।

৫। পোৎশিংদু খাইদোক খাইজিনগা চাংয়েংগা তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট ফোরম্না শীজিন্নগদবা থৌওঙ (সেক্সন ১৩ (১) (সি) )ঃ

(১) সেক্সন ১৩ (১) (সি) গী মখাদা, তঙাই ফদে খল্লবদি দিষ্ট্রিক্ট ফোরম্না ৱাকৎপা মীদুদা পোত্তুগী নোম্নাদু অমদগী হেন্নাল হাপ্পবা মখুম মওঙ তানা খুমজিল্লবা অনানবা পাত্রদা হাপ্লগা পীরক্লবা পাউতাক পীবা য়াই।

(২) অদুগুম্বা পোৎশিংদুগী নোমনাশিংদু ফংলবদা, দিষ্ট্রিক্ট ফোরমদুনা মদুদা চাজুম নমশিনগনী অদুগা পাত্রদুগা মথক্তা মখাগী ৱারোলশিং অসি য়াউনা ইবা চেজেৎ অমা নপশিনগনীঃ

(.) নোম্না অদু খাইদোক খাইজিন অমদি চাংয়েং তৌনবা থাগদৌরিবা অচাবা ... চাংয়েং শঙ অদুগী মমিং অমদি লৈফম,

(..) দিষ্ট্রিক্ট ফোরম অদুগী মমিং অমদি লৈফম,

(...) ৱাথোক (কেস) কী মশিং (নম্বর),

(.) দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী চাজুম (সিল),

(৩) নোম্না অদু নুমিৎ ৪৫ নিগী মনুংদা নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ফোরম অদুনা য়াবিদুনা শাংদোক্লবা অদুগুম্বা মতমগী মনুংদা শোয়রে হায়রিবদুগী মশোয় অমদি পাউ অদু থাগৎলকপগী তারিখ উত্তুনা থারক্লবা দিষ্ট্রিক্ট ফোরমদুনা অচাবা .... চাংয়েংশঙদুদা থাগনী।

৬। ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্টকা মেম্বরশিংগগী তলবকা অৱামলগা অমদি (মখোয়গী থবক্কী) মতমশিং অমদি ফীবমশিং (সেক্সন ১৬ (২) )ঃ

(১) মতম মপুঙ ফান থবক তৌনবা য়ুম্ফমদা হাপ্পবদি ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্টনা হাই কোর্টকী জজ অমগী তলবতু ফংগনী নত্রগা মতম খরা খরতমক থবক শুবগী য়ুম্ফমদা হাপ্পা ওইরবদি মীফমগী ওইনা নোংমদা হেনগৎপা হন্থবা নাইদনা অশক্লবা অপুনবা অৱামল লুপা ১৫০।– ফংগনী। অতোপ্পা মেম্বরশিংগীনা মতম মপুঙ ফানা ফম্নবা হাপ্পগনা হেনগৎপা হন্থবা নাইদনা অশক্লবা অপুনবা অৱামল লুপা ২০০০।– থাদা ফংগনী অদুগা মতম খরা খরতমক ফম্বগী য়ুম্ফমদা হাপ্পগনা হেনগৎপা হন্থবা নাইদনা অশক্লবা অপুনবা অৱামল অসি মীফমদুগী ওইনা নোংমদা লুপা ১০০।– ফংগনী।

(২)ওফিসকী থবক ইংখাং য়েংশিন্নবা চৎপদা ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বরশিংনা ষ্টেট গবর্নমেন্টকী অহানবা থাক্কী ওফিসার অমদা পীবা য়াবা অদুগুম্বা চৎপা খোৎপগী গেলহপ অমদি নোংবা নোংমগী শেলহাপ অদু ফংবা য়াই।

(৩) তলব, অৱামল অমদি অতৈ শেলহাপশিং অদু ষ্টেট গবর্লমেন্টকী তাশিন্দুনা থম্লবা শেলগী পুক্কৈদগী পীগনী।

(৪) ৫ ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বর অসি চহী মঙাগী মতম নত্রগা মশা মশাগী চহী ৬৫ শুবা ফাউবগী মনুংদা ঙনখৎপা হেনবা মতমদুগী ওইনা থবক তৌগনী অদুগা অমুক হন্না মিং পীখত্তুনা হাপ্পবা তৌবা য়াররোই।

অদুবু প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বরদুনা –

(এ) মখুৎমক্কী খৎইদা ষ্টেট গবর্নমেন্টতা থাদুনা মতম অমদা হেক্তঃ থবক্তগী তোকপা য়াই,

(বি) সব–রুল (৫) গী ৱারোলশিংগী মতুং ইন্না মা মাগী থবক্তগী (ষ্টেট গবর্নমেন্টনা) লৌথোকপা য়াই।

(৫) ষ্টেট গবর্নমেন্টনা –

(এ) শেল শিংবা ঙমদ্রবা মীনি হায়না কোর্টনা লাউথোক্লবা, নত্রগা,

(বি) ষ্টেট গবর্নমেন্টন য়াম্না তোনবা লমচৎ চেন্নবা অরানবনী হায়না নীংবা মরাল অমা লৈরবনী হায়না লাউথোক্লবা, নত্রগা

(সি) অদুগুম্বা মেম্বর অমা ওইনা থবক তৌবদা হকচাংগী নত্রগা পুক্নিঙগী ওইনা ঙমদবা ওইরক্লবা, নত্রগা

(দি) শেল থুমগী নত্রগা অতৈ হকশিং লৈরক্লদুনা মেম্বর অমা ওইনা থবক তৌবদা মাগী থবক্তা অকায়বা থোক্লা শোকহনবা য়াশিনলক্লবা, নত্রগা

(ই) মহাক্লা ওফিস্তা অসুম শাংথনা লৈরগদি মীয়ামগী হক্তা অকায়বা থোক্লকপা য়াবা মওঙদা মানা পায়রিবা ফমদু লান্না শীজিন্নরক্লবা –

ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট নত্রগা মেম্বর অমবু থবক্তগী লৌথোকপা য়াই।

অদুবু মসিগী মতাংদা অদুগুম্বা থৌওঙদুদা তৌগদবনী হায়না পীবা থৌওঙদুদা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা থিজিন হুমজিল্লবা অদুগা মেম্বর অদু অদুগুম্বা য়ুম্ফমদুদা মরাল লৈরে হায়বসি উরবতদা নত্তনা সব–রুল (৫) ক্লোজ (দি) গী (ই) গদা পীরিবা য়ুম্ফমশিংদা প্রসিদেন্ট নত্রগা মেম্বরবু মাগী ফমদগী লৌথোক্লোই।

(৬) ফম হাপত্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বর অমনা মেম্বর ওইনা মা মাগী থবক্তা অকায়বা থোক্লা শোহনবা য়াবা মওঙদা অদুগুম্বা শেলথুমগী ওইবা নত্রগা অতৈ হকশিং লৈতে অদুগা লৈসু লৈরোই হায়না ৱাশকপা তাই।

(৭) ষ্টেট কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বরশিংগী থবক্কী মতম অমদি ফীভমশিংদু মখোয়গী থবক তৌনবগী মতমগী মনুংদা মখোয়দা খুদোংচারোইদবা মওঙদা হোংদোক হোংজিন তৌরোইদবনী।

(৮) সব–রুল (৪) গী মখাদ ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট নত্রগা অতৈ অতোপ্পা মেম্বর অমনা ফম থাদোকখিবদগী নত্রগা অতোপ্পা মরম্না থোকহনবা অহাঙবা খুদিঙমক নৌনা হাপ্পুনা মেনশিনগনী।

(৯) ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্টকী ফম অসি হাঙলক্লবদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ষ্টেট কম্মিশনগী থাক্তা খ্বায়দগী হেন্না ৱাংনা (থবক হাপ্পগী মথং মনাউদা) লৈবা মেম্বর অদুনা অহাঙবা অদু মেনশিন্নবা মীশক অমদু হাপত্রিঙৈ অমদি ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পায়দ্রিমখৈ প্রসিদেন্টকী থবকশিং তৌগনী।

(১০) কারক্তবনা, নাবনা নত্রগা অতৈ অতোপ্পা মরম্না ষ্টেট কম্মিশনগী প্রসিদেন্ট অদুনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি থাক্তা খ্বায়দগী হেন্না ৱাংনা (থবক হাপ্পগী মথং মনাউদা) লৈবা ষ্টেট কম্মিশনগী মেম্বর অদুনা প্রদিদেন্টনা মাগী থবক পায়বা নুমিৎ য়ৌদ্রিঙৈ ফাওবা প্রসিদেন্টকী থবকশিংদু পুগনী।

(১১) প্রসিদেন্ট নত্রগা কনাগুম্বা মেম্বর অমদনা মখোয়গী থবক পায়বা তোক্লবদা (মহাক্লা) থবক তৌরিঙৈগী মতমদা এক্টসিগী মখাদা চথখিবা থবক অমগী হীরম ওইথিবা লুপ অমগী ফম অমা পায়বা নত্রগা শীল্লাঙবা নত্রগা ৱায়েল থৌদাগী থবক্কা, মানা অদুগুম্বা ফম অদু পায়বা তোকখিবগী তারিখ অদুদগী চহী মঙাগী মতম ফাউবদা, মরী লৈনরোইদবনী।

৭। ষ্টেট কম্মিশনগী ফম্ফম অমতদি মরী লৈনবা অতৈ হীরমশিং ( সেক্সন ১৮ গী পামিন্নরগী সেক্সন ১৪ (৩) )ঃ

(১) ষ্টেট কম্মিশনগী ওফিস অমদি ইম্ফালদা লৈগনী।

(২) ষ্টেট কম্মিশনগী থবক শুগদবা নুমিৎশিং অমদি ওফিসকী পুঙশিঙ অসি ষ্টেট গবর্নমেন্টকীগা চপ মান্নগনী।

(৩) ষ্টেট কম্মিশনগী চাজুম (সিল) গী খুদম (এমব্লেম) গীদি ষ্টেট গবর্নমেন্টনা অসি অসি ওইগদৌবনী হায়বদুগুম ওইগনী।

মখা মথং য়ুমশকৈশদা...